# মণিপুরদগী অফবা জিম্নাষ্ট পুথোক্লবা কোচশিংসু ইন্টরনেসনল থাক্কী অখন্নবা ত্রেনিং তৌহনবা তাবনি ঃ সি ঐচ অশোক মীতৈ



সি ঐচ অশোক মীতৈ
(জিম্নাষ্টিক শান্নরোয়, ১৯৮৮-১৯৯৭)



হান্নগী মখা...

মণিপুরদগী অফবা জিম্নাষ্ট পুথোকপা মশীং খঙহন হন্থরকখিবসি কুমজা ২০০১-০২ শ্বাইদগী ওইরমগদ্রা নীংই। মদুগী মমাঙদা থোকখিবা শান্নরোয় ময়াম অমদি থবক ইনখাংসু লোইনা ফংনখি। লমদমসিদা জিম্নাষ্টিক্স মশান্না অসি অমুক্তং ফগৎহন্নবা ওল মণিপুর জিম্নাষ্টিক্স এসোসিএসন্না মতমসিগা চান্নবা থৌদাং লৌহঞ্জনীংই। মরমদি প্লেয়রশিংগী লম্বী য়াৎপীবা, দিরেক্সন চুম্না চৎহন্নবগী মরুওইবা থবকসি এসোসিএসন্না তৌফমসু থোকপনি। শান্নরোয়শিং ফগৎহন্নবা হোৎনবদা এসোসিএসনগী রোলসি য়াম্না চাউই। খ্বাইদগী চাউবা ওথোরিটিসিসু মখোয়নি। অতৈনা হায়জিল্লগা করিসু তৌবা ঙমদে। ষ্টেট লেভেলদগী হৌরগা শান্নরোয়শিংবু অমদি ইন্টরনেসনল থাক য়ৌনবা ষ্টারিং পায়দুনা পুগদৌরিবসি মপূং ওইনা এসোসিএসনশিং অসিননি।

জিম্নাষ্টিক্সকী এসোসিএসন অসিসু খরা হেন্না মপাঙ্গল কন্না থবক তৌহন্নীংই। শান্নবা হায়বসি কম্পিটিসন্নি। ঐখোয়গী অঙাংশিং মথৌনা লৈনা শান্নবা ঙম্ননবা ঐখোয়না হোৎনবা তাবনি।

মতম অমা অশাবা খূৎশু-খূৎলায়দা ত্রেনিং তৌরগা মেদল ফংবা ঙম্লম্বা মণিপুরগী শান্নরোয়শিংনা ঙসি নেসনল থাক্তা মেদল অমত্তা লৌবা ঙমদনা মতম শাংনা লাক্লিবসি অশোয়বা খরা লৈবদগীনি। মরম থিদোক্লগা ইরায় লায়না খঙবা ঙমগনি।

ফগৎহনসি হায়রগদি মীৎয়েং খরা পাকথোক চাউথোকহনবা তাবনি। হৌজিকসু শান্নরোয়শিং শেমগৎমীন্নবগী তঙাইফদবা কয়ামরুম লৈরি। রেসপোন্সিবিলিটি লৌমীন্নরবা, য়ুনিটি লৈরবা, পান্দম অমা ফজনা লৈরবা অদু ওইরগদি মসি করিসু লৈবা নত্তে। অফবা মগুর লৈবা শান্নরোয় পুথোকপা অদুমক ঙমগনি।

খরদং ফগৎহন্ননবা সজেসন অমত্তংগা পীজনীংই। আই ও এগী রুল এন্দ রিগুলেসন মতুং ইন্না এসোসিএসন অমা ওইবা তারবদি ষ্টেটতুদা লৈরিবা দিষ্ট্রিক্টশিংগী এসোসিএসন শেমদুনা মণিপুর পুম্বগী ওইহনগদবনি। মীওই খরখক্লা ষ্টেটতুগী এসোসিএসন শেম্বা

**রত্নেশ্বরি গোশ্বামী**

**জিম্নাষ্টিক্সতা মিৎয়েং অমা**

হায়বসিসু কাঙলোন চুমদবা থৌওংনি।

চুম্না শেমগে হায়রবদি দিষ্ট্রিক্ট পুম্ন মক্তসু এসোসিএসন লিংগদবনি। অমরোমদা ঐহাক ইশামকসিসু মমাঙ চহীদগী ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট জিম্নাষ্টিক্স এসোসিএসনগী জেনরেল সেক্রেটরিগী থৌ পুদুনা লাক্লি।

মণিপুর ষ্টেটকী ওইনা হৌজিক হৌজিক জিম্নাষ্টিক্স শান্নরোয় য়াম্না পুথোক্লিবা দিষ্ট্রিক্ট অসি ইম্ফাল ইষ্টনা ওইরি। গেম অসিদা থৱায় য়াওনা থোরক্লিবা প্লেয়রশিং ঐগী মায়কৈদগী অঙম্বা থাক্তা ঐহাক শেমজগনি। জিম্নাষ্টিক্সকীনি হায়রগদি মায়পুননা হোৎনগে হায়বসি ঐগী ৱাখলদা চেৎনা লৈরি।

গেম অসি খরদংদা ওইরবসু চাওখৎনবা খঞ্জরগা দিষ্ট্রিক্ট এসোসিএসন অসি শেমজখিবনি। অদুনা জিম্নাষ্টশিংগী খনবীরগা ওল মণিপুর জিম্নাষ্টিক্স এসোসিএসন্না রিকোগনাইজ তৌবীরকপা পামজৈ। অদুগা জিম্নাষ্টিক্স হায়বা গেম অসিদি মেদল মশীং য়াম্বা অদুগুম্বা মশান্না অমনি।

ওলেম্পিক্সতা, জিম্নাষ্টিক্সখক্তমক শান্নবা লৈবাক অমনা মেদল টেল্লিদা ১-১০ ফাওবগী মনুং ইরায় লায়না চনবা ঙম্মী। জিম্নাষ্ট অমখক্লা মেদল ময়াম অমা লৌবা য়াই। ফুটবোল, হোকিদৌনা মেদল অমখক লৈবদু নত্তে। পূন্না মেদল নুপা নুপী পুল্লগা ২৫/২৬ লৈ।

জিম্নাষ্টিক্স হায়বা, এক্বাটিক হায়বা ওলেম্পিক্সতা মেদল য়াম্না স্কোর তৌবা য়াবা মশান্না ঙাক্তনি। মণিপুরীশিংগী ওইনদি জিম্নাষ্টিক্সকা হেন্না চান্না চুনবা লৈবনিনা গেমসিদা শেন্বদা ওলেম্পিক্স মেদল টার্গেট তৌবা শোয়দনা ঙমগনি। প্লেয়র হায়বসিদি সপোর্ট, দিরেক্সন য়াওদ্রগদি মেদল লৌবা ঙম্লোই।

প্রোপর গাইদ লাইন অমদি মতম চুপ্পদা তৌবীবা চঙই। অদুনবু ওজা-গুরু নাইনা কাঙলোন চুম্না ত্রেনিং তৌবা প্লেয়রশিংনা হেন্না মায়পাক্লিবসিনি। মমিংতগী ওইনা তাকপী তন্বীবনসু খক য়ারোই। ওলেম্পিক্স গেমস য়াওহন্নবা হোৎনগে খল্লগদি কোচশিংসু মপূং ফাবা ত্রেনিং ফংলবা গেমদুদা অৱাংবা থাক্কী নোলেজ লৈবা মীওই ওইরক্তবা য়ারক্ত্রে। মরম অদুনা অফবা শান্নরোয় পুথোক্লবা কোচশিংসু অখন্নবা ত্রেনিং থাবা তাই।

-মথং-মথং

পুপু কপ অন্দর-১৭ নাইন এ সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট

# বি এস সী খাবম্না য়ু এফ সী লমলাইবু, ৱাই দি সী এল পুংদোংবম্না ৱাই এল এল খুন্দ্রাকপমবু মায়থীবা পীখ্রে



ইম্ফাল, এপ্রিল ৩০ :

পুপু পুংদোংবম্না শিন্দুনা পুংদোংবমদা লৈবা লমলাই হায়স্কুল গ্রাউন্দদা চথরিবা অহানবা পেরদাইস য়ুনিয়ন পুংদোংবম (পুপু কপ) অন্দর-১৭ নাইন এ সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৭ কী ঙসি শান্নখিবা অহানবা গ্রাউন্দগী মেচতা বি এস সী ইন্দিয়ন আর্মি খাবম্না য়ু এফ সী লমলাইবু ৪-১ দা অদুগা অনীশুবা গ্রাউন্দগী মেচতা ৱাই দি সী এল পুংদোংবম্না ৱাই এল এল খুন্দ্রাকপমবু ২-০ দা মায়থীবা পীখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা গ্রাউন্দগী মেচতা বি এস সী অমদি য়ু এফ সী অনীনা অকনবা লম্বা তৌদুনা শান্নরকখি। বি এস সীনা মেচ হেক হৌখিবগা মায়োক্লখিবা য়ু এফ সীগী মায়কৈদা তৌখিবা এটেক অমদা মেচকী মিনিট ১ চৎপা মতমদা য়াইফবনা গোল অমা চনশিনখিদুনা য়াম্না ঙন্না ১-০ দা মাঙজিল থানা চৎখি।

বি এস সীনা মায়োক্লখিবা য়ু এফ সীগী মায়কৈদা মনম মনম তৌশিনখিবা এটেক্তা মেচকী মিনিট ৬ চৎপা মতমদা গোল অমা চনশিনখিদুনা ২-০ দা মাঙজিল থাখি।

বি এস সীনা হনবা লৈতনা মায়োক্লখিবা মায়কৈদা এটেকশিং তৌখিদুনা গোল চন্ননবা হোৎনখি। মখোয়না মখা তানা তৌখিবা এটেক্তা জেরিসনা মেচকী মিনিট ২৩ চৎপা মতমদা গোল অমগা চনশিন্দুনা ৩-০ দা লৈখি। ফার্ষ্ট হাফ ফাওবদা য়ু এফ সী লমলাইনা গোল অমত্তা চন্দনা শোত্থনা লৈখি।

অনীশুবা হাফতা বি এস সী খাবম্না মখা তানা এটেকশিং তৌদুনা মায়োক্লখিবা মায়কৈদা চঙশিনখি। য়ু এফ সীসু গোল ইক্বেলাইজ তৌদবা য়াদে হায়দুনা মতিক মথৌনা ফুদোক্তুনা শান্নরকখি।

য়ু এফ সীনা মায়োক্লখিবা সাইদতা কাউন্টর এটেক তৌদুনা চঙশিনখিবা অমদা মেচকী মিনিট ৩৩ চৎপা মতমদা বিজুনা গোল অমা চনশিনখিদুনা ইক্বেলাইজ তৌখিবগা লোয়ননা ১-৩ দা লৈখি।

য়ু এফ সীনা গোল চনখিবদগী লৈতাদ্রবা বি এস সীনা তকখৎখিবা এটেক অমদা মেচকী মিনিট ৩৮ চৎপা মতমদা য়াইফবনা গোল অমা চনশিনখিদুনা ৪-১ দা লৈখি।

মখা তানা টিম অমত্তনা অহেনবা গোলশিং চন্নবা ঙম্নখিদবদগী য়ু এফ সী লমলাইনা বি এস সী ইন্দিয়ন আর্মি খাবমগী মখূৎতা মায়থীহৌখি।

য়ু এফ সীগী নেলসনবু মেচকী মিনিট ৪৮ চৎপা মতমদা রেফ্রিনা কোসন পীখি।

অনীশুবা গ্রাউন্দগী মেচতা ৱাই এল এল খুন্দ্রাকপম অমদি ৱাই দি সী এল পুংদোংবম অনীনা শান্নখি। টিম অনীমক্লা অহানবা হাফ ফাওবদা গোল অমত্তা চন্নবা ঙম্নদনা লৈখি।

অনীশুবা হাফতা ৱাই দি সী এলনা মায়োক্লখিবা ৱাই এল এলগী মায়কৈদা তৌখিবা এটেক অমদা মেচকী মিনিট ৪৭ চৎপা মতমদা মনিস্নানা গোল অমা চনখিদুনা ১-০ দা লৈখি।

ৱাই এল এলসু গোল হন্দোক্লনবা কাউন্টর এটেকশিং তৌদুনা ৱাই দি সী এলগী মায়কৈদা চঙশিনখি অদুবু টিম মেটশিংগী মরক্তা অন্দরষ্টেন্দিং ৱাংখিবদগী গোল চন্নবগী খুদোংচাবা লৌবা ফংখিদে।

ৱাই দি সী এলদি হনবা লৈতনা মায়োক্লখিবা মায়কৈদা তৌখিবা এটেক্তা মেচকী মিনিট ৬০ চৎপা মতমদা রিসান্না গোল অমা চনশিনখিদুনা ২-০ দা লৈখি। ৱাই এল এলদি মেচ অদুদা গোল অমা ফাওবা চনবা ঙমখিদবদগী ৱাই দি সী এলগী মখূৎতা মায়থীহৌখি।

মেচ অদুদা ৱাই এল এলগী প্রকাসনা মেচকী মিনিট ৮ অমদি রোমিওনা মেচকী মিনিট ৫৫ চৎপা মতমদা অমসুং ৱাই দি সী এলগী রিসান্না মেচকী মিনিট ৩০ চৎপা মতমদা অনস্পোর্টিং বিহেবিয়রগীদমক রেফ্রিনা কোসন পীখি।

## চেলেঞ্জ কপ ভেটরান্স ফুটবোল টুর্নামেন্ট চথবা হৌখ্রে

# এ ভি এফ এ অকামপাৎ অমসুং এফ সী ৱাংখেম দ্রো চৎখ্রে, য়ু কে এফ সী মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ৩০ :

মণিপুর ভেটরান ফুটবোল এসোসিএশন্না শিন্দুনা খোংমন ক্ষেত্রি লৈকায়, ইম্ফাল ইষ্টতা লৈরিবা এলেভেন ষ্টার স্পোর্টিং য়ুনিয়ন গ্রাউন্দ (অকাম্পাৎ) দা অমুক হন্না চথবা হৌখ্রবা ১৯ শুবা চেলেঞ্জ কপ ভেটরান ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৭ কী ঙসি শান্নখিবা অহানবা গ্রাউন্দগী মেচতা এ ভি এফ এ অকাম্পাৎ অমদি এফ সী ৱাংখেম অনীনা ১-১ দা দ্রো চৎখ্রে। অদুগা অনীশুবা গ্রাউন্দগী মেচতা য়ু কে এফ সী উরিপোকনা দব্লিয়ু এফ ভি এ সগোলবন্দবু ১-০ দা মায়থীবা পীখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিদা টিম ৯ না গ্রুপ ২ খাইদোক্তুনা গ্রুপ অমমমদা টিম ৪ অমদি টিম ৫ না তমিন্নরি। টুর্নামেন্ট অসিগী গ্রুপ এগী ঙসি অহানবা গ্রাউন্দগী মেচতা এ ভি এফ এ অকাম্পাৎ অমদি এফ সী ৱাংখেম অনীনা অকনবা লম্বা তৌদুনা শান্নরকখি।

টিম অনীগী অমনা অমবু হেনজিন্নবা য়াদনা শান্নখিবা মেচ অদুদা এ ভি এফ এনা তৌখিবা অকনবা এটেক অমদা মেচকী মিনিট ২১ চৎপা মতমদা কে ঐচ ৱাংলেন্না গোল অমা চনশিন্দুনা ১-০ দা মাঙজিল থানা চৎখি।



এফ সী ৱাংখেমসু গোল ইক্বেলাইজ তৌনবগীদমক এ ভি এফ এগী মায়কৈদা কাউন্টর এটেকশিং তৌদুনা চঙশিনখি। মখোয়না চঙশিনখিবা অথুবা শাফু অমদা মেচকী মিনিট ১৬ চৎপা মতমদা কে ঐচ সিংহজিৎনা গোল অমা চনশিন্দুনা ১-১ দা চাং মান্ননা লৈখি।

টিম অনীমক্লা মখা তানা মেচকী অপীবা মতম ফাওবদা অহেনবা গোল অমত্তা চন্নবা ঙম্নখিদবদগী দ্রো চৎখি।

অনীশুবা গ্রাউন্দগী গ্রুপ বিগী মেচতা য়ু কে এফ সী উরিপোক অমদি দব্লিয়ু এফ ভি এ সগোলবন্দ অনীনা শান্নরকখি। য়ু কে এফ সীনা মায়োক্লখিবা দব্লিয়ু এফ ভি এগী মায়কৈদা অকনবা এটেকশিং তৌদুনা চঙশিনখি।

মখোয়না মায়োক্লখিবা সাইদকী প্লেয়রশিংবু নমহৎলম্লগা চঙশিনখিবা এটেক অমদা মেচকী মিনিট ১৯ চৎপা মতমদা এম গুনমনিনা গোল অমা চনবা ঙমদুনা ১-০ দা মাঙজিল থানা লৈখি।

য়ু কে এফ সীনা গোল চনখিবদগী তপথদ্রবা দব্লিয়ু এফ ভি এনা কাউন্টর এটেক তৌদুনা গোল হন্দোক্লনবা হোৎনখি অদুবু অহানবা হাফ ফাওবদা গোল চনবা ঙমদনা শোত্থনা লৈখি।

অনীশুবা হাফতা য়ু কে এফ সীসু মায়োক্লখিবা সাইদতা অকনবা চেলেঞ্জ তৌদুনা অহেনবা গোল চন্নবা তকখৎলকখ্রবসু মেচকী অপীবা মতম ফাওবদা গোল চনবা ঙমদনা লৈখি। দব্লিয়ু এফ ভি এসু গোল অমত্তা চনবা ঙমদনা য়ু কে এফ সীগী মখূৎতা মায়থীহৌখি। হয়েং অহানবা গ্রাউন্দগী মেচতা পি আই এম আই এফসী অমদি লাঙ্গোল এফসী অনীনা নুংথিল পুং ৩.৪৫ তাবা মতমদা শান্নগনি।

HL-B/3792/3/4-2/5

## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ – ৪৭

1. মহাক টাইক্বান্দোদা ব্লেক বেল্ট ফংবি অহানবা ইন্দিয়াগী মুসলিম নুপীনি। মহাক্কী মমিং করি কৌবগে?
2. ওলেম্পিক চেম্পিয়ন অমগী মমিং লৌদুনা থোনখিবা টাউন মচা অমগী মমিং হায়য়ু?
3. 'বোদি-লাইন' সেরিজ (ক্রিকেট) তা শরুক য়ারিবা ইন্দিয়া মচা অদুগী মমিং হায়য়ু?
4. অহানবা নোর্থ ইষ্ট গেমসতা নুপীগী জিম্নাষ্টিক্সতা বেষ্ট ওল রাউন্দগী মনা ফংখিবী নুপী অদুগী মমিং হায়য়ু?
5. উৎলিবা লাই (ফোটো) অসি কনানো?



মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম মে ১৫ নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ূক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

ক্যুইজ নম্বর ৪৬ কী পাউখুম ঃ- (১) রতন দেবনাথ (২) ৱাংখৈ গার্লস হায়স্কুলগী গ্রাউন্দ (৩) মন্সুর অলি খান (৪) ইঙেন-মেরা (৫) কেভিন পিটরসন

হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ নম্বর ৪৬ তা হংলিবা ৱাহংশিংগী অচুম্বা পাউখুম মশীং য়াম্না ফংজদবনা ক্যুইজ নম্বর অসিগী প্রাইজ থমজদ্রে। মসিগীদমক শরুক য়াবিরিবা মীওইশিংনা ৱারৌবিদনবা নোল্লুকচরি লোয়ননা পাউচে অসিবু নুংশিবীদুনা পাবিরিবা ক্যুইজ পার্টিসিপেন্টশিংনা মথংগী ক্যুইজদা হেন্না কন্না হোৎনবীদুনা ৱাহংশিংগী অচুম্বা পাউখুম মশীং য়াম্না খুন্বা ঙম্নবা অমদি শরুক য়াবিনবা নীংশিংজরি। - ক্যুইজ মাষ্টর

## এ এম টি এনা স্পিকর ৱাই খেমচান্দবু ওকখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ৩০ :

ওল মণিপুর টাইক্বান্দো এসোসিএশন্না শিন্দুনা ঙসি খুমন লম্পাক্তা লৈবা নেসনল স্পোর্টস একাদেমিগী টাইক্বান্দো হোলদা এসোসিএশন অসিগী হান্নগী প্রসিদেন্ট ওইরম্বদা নত্তনা হৌজিক মণিপুর গভর্ণমেন্টগী স্পিকর ওইনা থৌ পুরিবা ৱাই খেমচান্দ সিংহবু হরাও তরাম্না ওকপগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা ওল মণিপুর টাইক্বান্দো এসোসিএসনগী থৌ পুবশিং, শান্নরোয়শিং অমদি শক্নাইরবা মীওই কয়ানা শরুক য়াখি।

পনবা য়াই, ওল মণিপুর টাইক্বান্দো এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট ওইরম্বা ৱাই




খেমচান্দ সিংহনা ১১ শুবা ষ্টেট এসেম্ব্লি ইলেক্সন্দা শিংজমৈ এসেম্ব্লি কনষ্টিট্যুএন্সিদগী মায় পাক্লক্তুনা মণিপুর গভর্ণমেন্টকী স্পিকরগী থৌ পুরকপগীদমক হরাও তরাম্না ওকপগী থৌরমশিং পাঙথোকখিবনি।

## ফুটবোল টুর্নামেন্ট হৌদোকখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ৩০ : তেলৌ জোইন্ট কোওপরেটিভ ফার্মিং সোসাইটি লিমিটেদ ত্রোফি লমলাই কেন্দ্র ভিলেজ ৱাইজ মেন'স ওপন সভেন এ সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট কম্মিটি ২০১৭ ঙসি ইষ্টর্ন য়ুনাইটেদ স্পোর্টিং ক্লব তেলৌগী প্লে গ্রাউন্দদা হৌদোকখ্রে। হৌদোকপা নুমিৎতা শান্নখিবা মেচতা এফ সী য়ুম্নাম খুনৌ অমদি এস টি টি (এ) সেক্তা অনীনা গোল ১-১ চন্নদুনা দ্রো চৎখি। এফ সী য়ুম্নাম খুনৌগী গোল অদু ঙৌবনা চনখি অদুগা এস টি টি (এ) সেক্তাগী গোল অদু দিনচন্দ্রনা চনখি।



HL-B/3804/11/04-10/05




